# ভারত বন্দ: মধ্য প্রদেশতা পুলিস অমসুং প্রোটেষ্টরশিং খুৎ থোক্লবদা মীওই মাপন শিখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদগী কিলোমিটর ৪৫০ লাপ্না লৈবা মোরেনাদা পুলিস অমসুং খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই মাপন শিখ্রে।

গ্বেলিয়রদা থোকখিবা অতোপ্পা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদসু মীওই অমা শিখি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমনা মরম ওইরগা এস সী/এস টি প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্ট ময়াক চমহনখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মফম শীন-থুংনা ঙসি বন্দগী খোঙজং চঙশিনখিবনি।

মোরেনাদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা এজেন্সীগী পাউনা হায়, রাহুল পাথক কৌবা মীওই অমা ময়ুমগী দলান মথক্তা লেপ্পুনা লৈরিঙৈদা পুলিস অমসুং খোঙজংলোয়শিং খুৎ থোক্লরকখি। মতাং অদুদা কনাননো খঙদবা মওংদা কাপ্লকপা নোংমৈ মরু অমনা পানবদগী রাহুল পাথক শোকখি।

হোস্পিটালদা লায়েংনবগী পুখৎপদা মহাক লন্বীদা শিখি। গ্বেলিয়রদসু অতোপ্পা মীওই অমা নোংমৈনা পানবদগী শিখি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু কনাগী নোংমৈ মরুনা পানখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

মোরেনা অমসুং গ্বেলিয়রদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রবসু অতৈ অতোপ্পা মফম খরদা কার মৈ থাবা, লন্বী থিংবা অমসুং পব্লিক বসতা অপনবা পীবনচিংবা থৌদোক কয়া থোকখি।

পঞ্জাবতসু এস সী/এস টি এক্টকী মতাংদা পুলিস অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখি। সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ) না লৌবা ক্লাব টুৱেল্ব অমসুং ক্লাস টেনগী এগজামশিং বন্দনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা তাখি।

অয়ুক অঙনবদগী হৌনা চান্দিগড়, অম্বলা অমদি রোহটক্তা মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সর্ভিস অমসুং ত্রেন সর্ভিসতা চাউনা অপনবা থোকহনখি।

অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু জলন্ধর, হোশিয়ারপুর, রোপার, বথিন্দা, অম্রীটশর অমসুং ফিরোজপুরনচিংবা পঞ্জাবকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা খোঙজং চঙশিনখি।

রাজাস্থানগী ওইনা জয়পুর, বারমর, জায়শালমর অমসুং ভারতপুরদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা বারমরদা কার অমসুং লন-থুম কয়ামরুম অমাঙ অতা থোকহনখি।

চৈরকসিদা, উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অধিত্যনাথনা হায়খ্রে মদুদি, এস সী/এস টি প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্টকী ময়াক চমহনখিবা তারবসু শোথনা লৈহৌরবা মীওই কাঙলুপশিংদা কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লবগী ৱাফম লৈরোই। অগ্রা য়াওনা উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম পুন্নমক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিং খোঙফম হন্দোকপীনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

সুপ্রিম কোর্টনা এস সী/এস টি এক্ট শেমদোক শাদোক্লবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা ঙসি থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা বন্দগী খোঙজং চঙশিনখিবনি।

মীরুট অমসুং হাপপুরদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না কার অমসুং বস মৈ থাবনচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক খরা থোকখিবগী রিপোর্ট ফঙখি। পঞ্জাবতসু বন্দনা মরম ওইরগা সী বি এস ঈগী এগজাম য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা বিহারদা লমশাং চেনবা ত্রেন পুন্নমক লমখাংদা পনবা তাখি।

# ইন্দোরদা হোটেল নীংখায়বগী থৌদোক্তা শীখিবা মীওই ১০ শুখ্রে



ইন্দোর, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্দোরগী হোটেল বিল্ডিং অমা নীংখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীওই পুন্না তরা শুরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই তরুকশু অশোক অপন নংবদগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নরি।

বিল্ডিংগী অতেক অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিং কন্নবা থৌরাং লেপ্পুনা লৌখৎলি।

চৈরকসিদা, চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান্না লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনীগী কেম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদনা লুপা লীশিং য়াঙ্খে পীগনি হায়রি।

ইন্দোরগী কল্লেক্তর নিসান্ত ৱারাদেনা মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্বারি চথুদুনা হোটেল বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা য়াথং পীখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা অহিংগী নুমিদাং পুং ৯.১৭ তাবদা কার অমনা মথোল অহুম ৱাংবা হোটেলদা থেংজিল্লবা মতুংদা বিল্ডিং অদু নিংখায়রকখিবনি।

পুলিস, মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অতেক অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিং কন্নবা থবক লৌখৎপা হোৎনরি।

হৌখিবা অহিং পুং ১১.৩০ ফাওবদা বিল্ডিংগী অতেক অকায় মরক্তগী থৱাই য়াওদ্রবা মীওই তরাগী হকচাং ফঙবা ঙমখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই নিপান এম ৱাই হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়না দিভিজনেল কম্মিস্নর সঞ্জয় দুবেনা ফোঙদোকখি।

লায়বক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, চথুরিবা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক কুপ্না য়েংশিনবা হোৎনরি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অশোক অপন নংলবা মীওই পুন্নমক অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# দিফেমেসন কেসঃ অরবিন্দ কেজ্রিৱাল য়াওনা এ এ পিগী লুচিংবশিংনা অরুন জেটলিদা ঙাকপীনবা হায়জখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): মরম চাদবা মওংদা মরাল শীরুবগীদমক আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী লুচিংবা অরবিন্দ কেজ্রিৱাল, অসুটোস, রাধব চাধা অমসুং সঞ্জয় সিংহনা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিদা ঙাকপীনবা হায়জখ্রে।

লুচিংবা মরিনা জেটলিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা লাল্লে হায়জখিবগা লোয়ননা দিল্লিগী কোর্ট অমদা থাঙ্গৎলকখিবা দিফেমেসন কেস হন্দোকপীনবা হায়জখি।

কেজ্রিৱালনা থাখিবা চেরোল অদুনা হায়খি, জেটলিনা দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা অরানবা থৌওং চথখি হায়না মরাল শীবা ৱারোল অমা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা ফোঙদোকখি। দিল্লি হায় কোর্ট অমদি পটিয়ালা হাউস কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা কেস অমগী মতাংদসু মরম চাদবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা মীওই খরনা পীরকপা রিপোর্ট অমদি চে-চাংদা যুম্ফম ওইরগা হায়রিবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি। কোন্না থিগৎনরুবা মতমদা রিপোর্ট অদু অরানবা ওইরম্বদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা মরাল শীরুবগীদমক লাল্লে হায়জনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা অরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমদি অতৈএ এ পিগী লুচিংবা অহুমগী মথক্তা থাঙ্গৎখিবা দিফেমেসনগী কেস অদু হন্দোক্লদ্রা হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কেজ্রিৱালনা পীরকপা লাল্লে হায়জবগী ৱারোল য়াওবা চেরোল অদু ফঙবা তারবসু অরুন জেটলিনা করি করম্বা ফিরেপ লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফম অমত্তা লাউথোকপা লৈখিদে। পনবা য়াবদি, ফাইনান্স মিনিষ্টরনা কেজ্রিৱালগী মথক্তা কেস অনী ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ২০ গী কম্পেন্সেসন পীনবা তকশিনখিবনি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি, জেটলিনা চহী ১৩ দিল্লি ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা শেঞ্জা থুমজা তৌখি হায়না মরাল শীরকখিবগী মতাংদা কেজ্রিৱালগী মথক্তা থাঙ্গৎখিবা দিফেমেসন কেস অদু হন্দোক্লবা য়াই হায়রি।

তোঙান তোঙানবা দিফেমেসন কেস ৩০ থাঙ্গৎলকখ্রবা কেজ্রিৱালনা মমাং থাদগী হৌনা মীওই কয়াদা ঙাকপীনবা হায়জদুনা লাকখি। পঞ্জাবকী মিনিষ্টর ওইরম্বা বিক্রম মাজেথিয়া, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারি অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা কাপিল শিবালগী মচানুপা অমিট শিবালদসু কেজ্রিৱালনা ঙাকপীনবা হায়জবা লৈখ্রবনি।

# এন ঐচ আর সীনা সী বি এস সীগী চ্যেয়রমেন, দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নর, ঐচ আর দি সেক্রেটরিদা নোটিশ থাখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সি): সী বি এস ঈগী ৱাহং চে লীক ওইখিবগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) না ঙসি হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (ঐচ আর দি) মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি, সী বি এস ঈগী চ্যেয়রমেন অমসুং দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নরদা নোটিশ থাখ্রে।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা হায়খিবনি মদুদি, বোর্দনা ৱাহং চে লীক ওইবগী মতাংদা ওফিসল অমা খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়না খঙহল্লক্লে। সী বি এস ঈগী ওফিসল কেএস রানানা মথৌ তৌখিবা এগজামিনেসন সেন্তর (০৮৫৯) দগী ৱাহং চে লীক ওইরকখিবনি হায়বা খঙবা ঙল্লে।

দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ওজা অনী অমসুং কোচিং সেন্তর অমগী মপু য়াওনা ৱাথোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ফারবা মতুংদা দিল্লিগী করকরদুমা কোর্টনা মীওই অহুম্মক নুমিৎ নীনিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখি।

ৱাহংচে লীক ওইখিবগী মতাংদা ওজা অনী অমসুং ট্যুটর অমা ফারে। ফারবা মীওই অহুম্মক মখা তানা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথখিগনি। রিসাব অমদি রোহিট কৌবা ওজা অনী অদু আউটর দিল্লি এরিয়াদা লৈবা স্কুল অমগী ওজা ঙাক্তনি। মখোয় অনীমক নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক ফাখিবনি হায়না পাউমীশিংগা উনবদা দিল্লি পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

বাৱানাদা লৈবা টোকির কৌবা কোচিং ইনষ্টিট্যুটকী মপু অমসু ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ফাখ্রবনি। ওথোরিটিশিংনা গুগলগী মতেং লৌরগা খ্বাইদগী ইহান হান্না ঈ-মেল থাখিবা মীওই অদুগী খোঙ্গুল লীরগা ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা গুগলনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ক্লাস টেনগী মহৈরোয় অমনা অপোকপা মপাগী আই ডি শীজিন্নরগা বোর্দকী চ্যেরপর্সনদা ৱাহংচে লীক ওইবগী পাউ পীরকখি হায়রি। অঙাং অদু মপাগা লোয়ননা কৌখৎলগা ৱাহং পাউহং চথখি। হৌজিক ফাওবদা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয় ৫৩ অমসুং ওজা ৭ য়াওনা মীওই ৬০ হেন্না ৱাহং-পাউহং চথবা লৈখ্রবনি।

সেন্ট্রেল দিল্লিদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমগী ইকনমিক্সকী ওজা অমসুং কোচিং সেন্টর অমগী মপু য়াওনা চিংনবা মীওই ৩৪ ৱাহং পাউহং চথুদুনা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্ল বা থৌরাং লৌখৎলে হায়না দিল্লি পুলিসকী ওফিসল অমনা মমাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মার্চ ২৮ দা ক্লাস টেনগী এগজাম থাখিবা মহৈরোয় লাখ ১৮ অমসুং মার্চ ২৬ তা ইকনমিক্স সবজেক্টকী এগজাম থাখিবা ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয় লাখ ৫ অমুক হন্না এগজাম থাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

নৌনা এগজাম পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্বকী মতম লেপখিবগা লোয়ননা ক্লাস টেনগী ওইনসু অথুবা মতমদা এগজামগী নুমিৎ লাউথোক্ল বা থৌরাং তৌরিবনি। ক্রিমিনেল ব্রিচ ওফ ত্রষ্ট, চিটিং অমসুং ক্রিমিনেল কন্সপিরেসিগী মরালদা পুলিসনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখিবা লৈখ্রবনি।

## ꯃꯥꯡꯂꯕ/PENSION BOOK LOST

A Pension Book has been lost standing in the name of (L) O. Iboton Singh bearing P.P.O. No. Sm/13630 on the way between Oinam Bazar to Bishnupur SBI on 8-03-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Shri O. Inaomacha Singh
S/o (L) O. Iboton Singh
☎ 943669183

HL-P/908/3

## নুংশঙগী ওজা অব্দুল হক পৃথিবীদা অতাংবনি

কোল্লাখোংদা লৈবা রোবোন ঐ অসি পাইলস কেস নাদুনা চহী ৪/৫ লৈরকখি। দোক্তর অমদি হোস্পিটালশিংদা লায়েংলুবদসু ফবা ঙমদনা লৈরকখি। অদুবু নোংমা *ঈচেল এক্সপ্রেস* তা থেংনবদগী ওজা **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **8014623756 /9383214747** ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লৈবা অসিদা লায়েংলুবদগী ঐগী পাইলসকী কেস অসি ফরে। ঐখক্তা নত্তনা অতোপ্পা ময়ামসু ফরে। ওজা অসি মতম শাংনা নাদ-য়েক্তনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

*থাগৎচরিবা :* ROBEN KOMLAKHONG AWANG

HL-P/733/3

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

*Ref:- Mut. Case No. 361/SDC/NBL of 2018*

Tensubam Borobabu Singh S/o (L) T. Shamutomba Singh of Nambol Laitonjam.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Tensubam Shamutomba Singh S/o (L) Jhulon Singh of Nambol Laitonjam.

...... *Pattadar*

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dt. 29/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৮-লাইতোঞ্জম পাট্টা নং ২৯ (অরিবা) ৩৪ (অনৌবা) দাগ নং ২২৭ এরিয়া ০.৫০ একর ওফ ইঙ্খোল ক্লাস অমসুং পাট্টা নং ২১২ (অরিবা) ৭২ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৫৫ এরিয়া ০.৮৯ একর ওফ ইঙ্খোল ক্লাস হায়রিবা ইঙ্খোলশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা ইঙ্খোলশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোলশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
*Sub-Deputy Collector, Nambol*

HL-P/911/3

## OFFICE OF THE SECRETARY
## GOVERNING BODY, PRAVABATI COLLEGE (GOVT. AIDED)
## MAYANG IMPHAL

### ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/ 2ND ADVERTISEMENT

*Dated 2nd April, 2018*

**No.1/PBC/MI/91(Service):** Applications with relevant documents from matric onwards are invited from candidates fulfilling UGC norms for the following posts so as to reach the office of the undersigned on or before **15/04/2018**.

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post |
|---|---|---|
| 1. | Economics | 2 |
| 2. | Geography | 1 |

The date of D.P.C. will be fixed by the G.B.

Sd/- N. Iboton Singh
*Secretary,* Governing Body
Pravabati College, Mayang Imphal

HL-P/3263/3

## CAS Medical/Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

CRASH MEDICAL COURSE for NEET -2018

FOUNDATION COURSE

CLASS XI & XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)

CLASS X (English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)

Foundation Course Classes commencing from 9th April, 2018

Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch

Seats are limited Fiirst come First Served

VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4524/3/4-4/5

## SHRI RAMAKRISHNA ASHRAMA, IMPHAL

Regd. No. 904 [Act XXI of 1860]
LAIRIKYENGBAM LEIKAI, SALAN LEIRAK IMPHAL - 795 010 (MANIPUR)

### RESIDENTIAL COACHING CENTRE (RCC)

Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak, Imphal East, Manipur 795 010

*Specially for the Entrance Test for Classes IV, V, VI and VII of :-*

1. RAMAKRISHNA MISSION SCHOOLS 2. SAINIK & NAVODAYA SCHOOLS
3. DELHI PUBLIC SCHOOLS 4. Other International Schools of India

- *Subjects :* Mathematics, English, Science, Social Science, Hindi, Sanskrit, Indian Culture & Value Education.
- *Class timing :* 7:00 am to 4:00 pm (only for day boarders) *Daily Revision Class :* 6:00 pm to 8:00 pm (only for full boarders)
- *Special Attraction :* *Long Experienced Faculties * Study Materials * Regular/Mock Test * Regular Parents and Teachers Meeting * Van Service * Hostel for both Boys and Girls.

*Happy Announcement:* Admission Test of Delhi Public School, Faridabad Class XI (Science, Arts, Commerce) will be held on 3rd June 2018 at Imphal. Boys & Girls can apply for this admission test.

*For Details, Please Contact :* Maibam Roshnikumar (Rajneekumar) Ex-Student RKMV, Deoghar
S/o M. Dinamani Singh, Lairikyengbam Leikai, Salan Leirak, ☎ 7005138304, 9089354693

HL-P/5034/8/3-8/4

## ꯃꯥꯡꯂꯕ/PENSION BOOK LOST

A Pension Book has been lost standing in the name of (L) P. Dhani Devi bearing P.P.O. No. Sm/21347 on the way between Nambol Bazar to Bishnupur Bazar on 5-02-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Km. P. Chandani Devi
D/o (L) P. Dhani Devi
☎ 9436691622

HL-P/908/3

## COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

### NOTICE

31st March 2018

Class-XI & Class-XII Foundation Course 2018 which is scheduled to Commence from 5th April 2018 has been postponed on 25th April 2018 due to some unavoidable reasons.

Sd/-
Administrator

HL-B/4550/1,3&5

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR : IMPHAL

### NOTICE

Dated, the 2nd April, 2018

**No.MU/FL/KR-I(Adm.)/15/04:** It is hereby notified that 2 (two) Language Instructor / Guest Lecturer (1-Chinese & 1-Japanese) on contract basis will be appointed initially for a period of 6 (Six) months in the department of Foreign Language through **WALK-IN INTERVIEW.**

**Essential Qualifications & Honorarium:** As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject and fixed by the University from time to time.

**Place & Date of Interview:** Office of the Co-ordinator, Department of Foreign Language, Canchipur MU on 07/4/2018 at 11:a.m.

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Co-ordinator, Department of Foreign Language, Manipur University, Canchipur between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/- David K. Zote
Joint Registrar

HL-B/4552/3